# ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচতা ইন্দিয়ানা য়ু এ ঈ ৪-১দা থোইখিবদা ঙাংবম স্বিতিসু পাঞ্জল চনখি



ইন্দিয়াগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসপু পাঞ্জল ৩-০দা হেল্লগা লৈখি।

দুবাই, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী):
মথং চহীগী জনুয়ারী অমসুং ফেব্রুৱারী থাদা ইন্দিয়ানা য়ূম্লু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়াগী নুপীগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপকী শেম শাবা ওইনা য়ু এ ঈগী কোনুং দুবাইদা লৈবাক অদুগা ঙসি শান্নখিবা অহানবা ফ্রেন্দলি মেটচতা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৪-১দা থোইখিবা অদুদা মণিপুরগী ঙাংবম স্বিতিসু পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা পূন্না ফ্রেন্দলি মেটচ ৪ শান্নগদৌরিবা অদুদা হয়েং টুনিসিয়াগা অনীশুবা মেটচ অদু শান্নগদৌরিবনি। ফিফাগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়া হৌজিক-হৌজিক ৫৭শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। অদুগা য়ু এ ঈনা ১০০ শুবা পোজিসনদা লৈখি। ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা ২০শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা স্কোরগী একাউন্ট অদু হাংদোক্তুনা মনিশানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। বোল পায়বগী চাং হেনখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয়শিং অদুনা মখা তানা দোমিনেট তৌরক্তুনা ২৭শুবা মিনটতা প্যারি জাজাগী মতেংদগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেটচ মখা চথরকপা অহানবা হাফ য়ৌগদবা মিনট ৪ ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়াগী টিম অদুদা শরুক য়ারিবী মণিপুর মচা ঙাংবম স্বিতিনা ৪১শুবা মিনটতা অহানবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদু ৪-১দা থোইখি।

ঙসি মায় পাকপা অসিনা ইন্দিয়ানা চৎলিবা চহী অসিদা ইন্টরনেসনল মেটচ অমখক মায় পাকপা ঙম্বদা ঙাইরি। কুমজা ২০২১দা ইন্দিয়ানা পূন্না ইন্টরনেসনল মেটচ ৫ শান্নবগী মনুংদা ঙসিগীদুনা অহানবা ওইরিবনি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইনা য়ুরোপিয়ন প্রোফেসনেল লীগতা শরুক য়ারিবী ঙাঙোম বালা মহাক্কী অশোকপা অমা লৈখিবা অদু ওপরেসন তৌদুনা লৈবা মরম্না ইন্দিয়াগী টিম লাউথোকপদা শরুক য়াখিদে।

ভাবোক অমত্তা য়াওদনা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌরকখিবা পুংখায় ফাজিল্লকপদা অনৌবা এটেক অমা তৌশিল্লকখিবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অঞ্জু তমাংনা ইন্দিয়াগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। য়ু এ ঈগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অমখক হন্দোক্লগা ইন্দিয়ানা

ঙসিগী মেটচ অদুগী মতাংদা কোচ স্বিদেন মচা থোমাস দেনর্বিনা ফোঙদোকখিবদা, অহানবা মেটচতা মায় পাকপা অসি অফবা খূদম অমনি। হয়েং অনীশুবা মেটচতা ফিফাগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ৭৭শুবা পোজিসনদা লৈরিবা টুনিসিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

য়ু এ ঈ অমসুং টুনিসিয়াগী মশান্না অদু পারুবদা টুনিসিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীরক্কনি হায়বা মহাক্না খঙখি। অদুবু মায় পাক্লবদি হোৎনদবা য়াদে। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মখোয়দগী থাক ৱাংবা টিমশিংগা লম্বা তৌনবনা মখোয়দা লৈরিবা টেক্নিকেলগী ওইবা অশোনবা মফমশিং অদু নীংথিনা মশক খঙদোক্তুনা তুংদা শেমদোকপা ঙম্বগী খূদোংচাবা অমা পীরিবনি।

ঙসি ইন্দিয়াগী মেটচ অদুদা শান্নরোয়শিং অদুগী মায়কৈদগী খোঙজেল খরা তপ্না উখিবা অদু হয়েংদি শেমদোক্তুনা থুগৎনবা হোৎনগনি হায়খি। অশোয়বশিং অসি শেমদোক্তুনা মপূং ফাবা টিম কম্বিনেসন অদু লৈনবা হোৎনগনি।

# সিনিয়র নেসনল আর্চরি চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরনা গোল্ড ২, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ লৌবা ঙমখ্রে




জমশেদপুর, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী):
ঝরখন্দগী সিটি জমদেশপুরদা থা অসিগী ১দগী হৌখিবা ৪০শুবা এন টি পি সী সিনিয়র (মেন এন্দ ৱিমেন) নেসনল আর্চরি চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী আর্চরশিংনা গোল্ড মেদল ২, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ ফংবা ঙমখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট রিপ্রজেন্ট তৌদবা অতোপ্পা য়ুনিটশিংদগী শরুক য়ারিবা মণিপুরী আর্চরশিংনসু ফজদুনা মেদল কয়া ফংবা ঙমখি। নুপীগী টিম ইভেন্টকী ইন্দিয়ন রাউন্দ কম্পিটিসনদা মণিপুরগী ওক্রম নাওবী চনু, মোইরাংথেম বেবী, লোংজম তোমথিনঙানবী অমসুং ৱাংখেম মলেশ্বরীনা গোল্ড মেদল ফংখি। ইভেন্ট অদুদা ঝরখন্দ অমসুং মহারাষ্ট্রনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপাগী মিটর ৫০গী কম্পিটিসনদা মণিপুরগী সাপম রোবর্টনা পূন্না পোইন্ট ৩৬০গী মনুংদা ৩৩০ ফংলগা গোল্ড মেদল ফংখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা মিজোরামগী রাম সোরেন অমসুং মহারাষ্ট্রগী দিগন্তর হনুমান্ত চাৱাননা মথংশিংনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপীগী মিটর ৫০গী কম্পিটিসনদা মণিপুরগী ওক্রম নাওবী চনুনা অপূনবা পোইন্ট ৩৬০গী মনুংদা ৩১৪ ফংলগা সিলভর লৌখি। অতোপ্পা মণিপুরগী আর্চর মোইরাংথেম বেবীনা পোইন্ট ৩১৩দা ব্রোঞ্জ ফংলগা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদুনা ঝরখন্দগী অস্রিতা বিরুলিনা পোইন্ট ৩১৫ ফংলগা লৌখিবনি।

নুপীগী ইলিমিনেসন রাউন্দদা মণিপুরগী ওক্রম নাওবী চনুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। ইভেন্ট অদুদা এ আই পি এস সী বিগী পল্লবী বোরোনা গোল্ড লৌরগা ঝরখন্দগী অনকু কুমারীনা সিলভর ফংখি।

নুপীগী মিটর ৫০গী কম্পিটিসনদা মণিপুরগী মোইরাংথেম বেবীনা পোইন্ট ৩৬০গী মনুংদা ৩২৪ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখি। ইভেন্ট অদুদা এ আই পি এস সী বিগী মায়কৈদগী শরুক য়ারকখিবা মণিপুর মচা হুইদ্রোম রাজ পিয়ারিনা গোল্ড ফংখি। অদুগা উত্তর প্রদেশকী সুনিতা ভর্দ্বাজনা সিলভর লৌখি।

নুপাগী মিটর ৩০গী ইভেন্টতা এ আই পি এস সী বিগী পি হেরোবানা পূন্না পোইন্ট ৩৬০ লৈবগী মনুংদা পোইন্ট ৩৩৪ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী ওইনা মিজোরামগী রাম সোরেননা পোইন্ট ৩৩৯দা গোল্ড অদুগা ঝরখন্দগী গোল্ডি মিশ্রানা পোইন্ট ৩৩৫ ফংলগা সিলভর লৌখি।

পি হেরোবানা নুপাগী ইন্দিভিজ্যুএল রাউন্দদা সিলভর মেদল ফংলগা মণিপুরগী মুতুম চিঙ্খৈ মৈতৈনা ব্রোঞ্জ লৌখি। লোয়ননা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড অদুনা এস এস সী বিগী সুরেশ কুমার গুরুংনা ফংখি। নুপাগী টিম ইভেন্টতা মণিপুরগী সাপম রোবর্ট, মুতুম চিঙ্খৈ মৈতৈ, চিংঙাখম নেলসন অমসুং হুইদ্রোম বিজেন্দ্রনাথনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। গোল্ড অদুনা এস এস বিনা লৌখি।

মিক্স টিমদা মণিপুর মচা হুইদ্রোম রাজপিয়ারি অমসুং পি হেরোবনা এ আই পি এস সী বিগী মায়কৈদগী ব্রোঞ্জ ফংখি। গোল্ড অমসুং সিলভরনা ঝরখন্দ অমদি মহারাষ্ট্রগী টিমনা ফংবা ঙমখি।

# ৫শুবা ষ্টেট লেভেল বেল্ট রেষ্টলিং টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে, টিম ট্রায়ল সেলেক্সনসু পাঙথোকখ্রে



হৈরোক, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস):
থা অসিগী ২৮দগী ৩১ ফাওবা গোৱানা য়ূম্লু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এ আই টি দব্লিয়ু পি এফ ৯শুবা নেসনল ট্রেদিসনেল রেষ্টলিং অমসুং পনক্রাসিয়ন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম শেম্নবা ৫শুবা ষ্টেট লেভেল বেল্ট রেষ্টলিং টুর্নামেন্ট কম ট্রায়ল সেলেক্সন ওল মণিপুর ট্রেদিসনেল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ট্রেদিসনেল বেল্ট রেষ্টলিং এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙরাং লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট জিল্লা পরিষদকী উপ-অধ্যক্ষ টি নুংশি, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরি এন সুনিতিবালা, লৌরেম্বম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নোমিনি কে ঐচ সনাখোম্বা, ওল ইন্দিয়া কুংফু ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. ঐচ রোমেন, কুদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি এল সিংহজিৎ, সাউথ এসিয়ন ফেদরেসন ওফ ওল স্পোর্টসকী কিকবোক্সিংগী টেক্নিকেল দিরেক্টর গ্রান্দমাষ্টর এন জিজিৎ খুমনচা, ওল মণিপুর ট্রেদিসনেল বেল্ট রেষ্টলিংগী সেক্রেটরি সী ঐচ ইবোহল অমসুং চীফ টেক্নিকেল দিরেক্টর টি ঐচ উদোয়চান্দনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক-মথং তারবশিংদা মেদল অমদি সর্টিফিকেটশিং খূৎশিন্নখি। গোল্ড মেদল ফংলবা শান্নরোয়শিংনা মণিপুর টিম শেম্বদা শরুক য়ারগনি হায়রি।

উপ-অধক্ষ্য টি নুংশিনা ফোঙদোকখিবদা বেল্ট রেষ্টলিং মশান্না অসি ঐখোয়গী লমদম অসিগা য়াম্না চান্নবা মশান্না অমনি। মসি মণিপুরদা চাউখৎলক্তুনা মালেমগী থাক্তা মেদল ফংবা য়াবা শান্নরোয় কয়া থোক্লকপা ওইরসনু হায়না ঙরাং লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হায়খি।

# ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী পিঙ্ক বোল টেষ্ট মেটচ দ্রো চৎখ্রে

ক্বিন্সলেন্দ, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইন্দিয়ানা দে এন্দ নাইটতা শান্নবা পিঙ্ক বোল টেষ্ট মেটচ অদু ঙসি অরোইবা নুমীৎতা দ্রো চৎখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংসতা মায় পাক্লনবা রন ২৭৩গী টার্গেট লৈখিবনি। অদুবু নোংনা মরম ওইদুনা শান্নবগী মতম কা-হেন্না ফংখিদ্রবদা মখোয়গী বেটসমেন অনী আউট ওইরগা রন ৩৬ লৌদুনা লৈরিঙৈ অদুদা মায়কৈ অনীগী কেপ্টেনশিংনা মেটচ অদুগী রিজল্ট লৈগদবা মান্দবদগী দ্রো চৎপদা য়ানখিবনি।

মেটচ অমখক্কী ওইবা দে এন্দ নাইট পিঙ্ক বোল টেষ্ট মেটচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা তাঙ্ককশিং অদুগী মনুংদা ইন্দিয়াগী ওপনর স্মৃতি মনধনানা অহানবা ইন্নিংসতা রন ১২৭ অমসুং অনীশুবা ইন্নিংসতা রন ৩১ লৌখিবা অদুনি। মহাক্না নুপীগী টেষ্ট ক্রিকেটতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিল্লগা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা শান্নবদা সেঞ্চুরি লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা শান্নরোয় ওইরি।

ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংসতা বেটসমেন ৮ আউট ওইরগা রন ৩৭৭তা দিক্লেয়র তৌখি। মদুদা দিপ্তি শর্ম্মাসু রন ৬৬ লৌরমখি। ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ২৪১ দা ইন্নিংস অদু দিক্লেয়র তৌখি। মখোয়গী মায়কৈদগী ঈ পেরি অমসুং গার্দনরনা মথংশিংনা রন ৬৮ অমসুং ৫১ লৌরমখি।

ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস রন ১৩৫ লৌরগা দিক্লেয়র তৌখি। ওপনর সফালি বর্মাগী রন ৫২ অমসুং আউট ওইদনা রন ৪১ লৌখিবা পুনম রাৱটকী পর্ফোর্মেন্স পনবা য়াই। ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদু শান্নরকপদা ১৫শুবা ওভর লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৱিকেট ২ খক তুরগা রন ৩৬ লৌদুনা লৈখিবদগী দ্রো চৎখিবনি। থা অসিগী ৭, ৯ অমসুং ১০দা টি-২০ মেটচ অহুম শান্নগনি।

# রসিয়াগী মখূৎতা মায়থীখ্রবা ইন্দিয়াগী টিমনা ফিদে ৱর্ল্ড ৱিমেন্স টিম চেছ চেম্পিয়নশিপকী সিলভর ফংখ্রে



ষ্টিটজ, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী):
স্পেনগী সিটি ষ্টিটজদা পাঙথোকপা ফিদে (ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসন)গী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ৱিমেন্স টিম চেছ চেম্পিয়নশিপতা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম রসিয়াগী মখূৎতা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংখ্রে।

ইন্দিয়ানা সিলভর মেদল ফংবা অসি লৈবাক অসিগী চেছ পুৱারীদা নুপীগী টিমনা মেদল ফংবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। ঙরাং অহানবা সেটতা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ওইরিবী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকানা মায় পাকপা ঙমখ্রবসু পোইন্ট ১.৫-২.৫দা মায়থীহৌখি। হরিকানা রসিয়াগী মঙোন্দগী ঈ এল ও রেটিং পোইন্টতা ৭০ হেন্দুনা লৈরিবী গোরিস্কিনাবু মায়থীবা পীদুনা অহানবা গেম অদু ইন্দিয়ানা মাঙজিল থারগা লৈখি। মখা তারকপদা ইন্দিয়াগী গোমসনা রসিয়াগী এলিনা ক্লাসিনোকোভাগা দ্রো চৎখি। অদুগা মমাংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বী রসিয়াগী অলেকজেন্দ্রা কোষ্টিন্যুকনা ইন্দিয়াগী ভৈশালিবু থোইরগা অহানবনা সেট অদু মায় পাকখিবনি।

অনীশুবা সেটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফজবা ঙল্লিবী দ্রোনাভালি হরিকানা রসিয়াগী গোরিস্কিনাগা অমুক থেংনবদা দ্রো চৎখি। অমরোমদা, ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবী ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২১৪৯দা লৈরিবী মহাক্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরল্লবী রসিয়াগী ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৫১৭তা লৈরিবী অলেকজেন্দ্র কোষ্টিন্যুককা লম্বা তৌনবদা দ্রো চৎতুনা লৈবাক অনীমক পোইন্ট ১-১দা লৈনখি। অদুবু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় অনী টানিয়া সচদেভ অমসুং মেরি আন গোমস মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং অদু মায় পাকপা ঙমখিদবদগী ১-৩দা সেট অদু মায়থীখি। সচদেভ লাগনোনা থোইখি। অদুগা মেরি আন গোমসনা সুভালোভাগী মখূৎতা মায়থীখিবনি।


# এফ সী গোৱানা মোহম্মদন স্পোর্টিং থোইদুনা দুরান্দ কপ লৌখ্রে

কোলকাটা, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী):
এসিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা অদুগা মালেমগী ওইনা অহুমশুবা ওইনা লৈরিবা দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১৩০রক শুবা এদিসনগী টাইটল অদুগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা এফ সী গোৱানা মোহম্মদন স্পোর্টিং ক্লবপু এক্সট্রা টাইমদা ১-০দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি কোলকাটাগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেদিয়মশিংদা পাঙথোরকপনি। ঙসি ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা এফ সী গোৱানা কার্টর ফাইনেলদা সুদেভা দেল্লী এফ সীবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা সেমীফাইনেলদনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ামিন্নরিবা অতোপ্পা ক্লব বেঙ্গলুরু এফ সীবু পেনাল্টি শুটআউটতা পাঞ্জল ৭-৬তা থোইরগা লাকখিবনি। অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্লু কোলকাটাগী ক্লব অমা ওইরিবা মোহম্মদন স্পোর্টিং ক্লবনা কার্টর ফাইনেলদা গোকুলম কেরলাবু ১-০দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা সেমীফাইনেলদনা বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদপু এক্সট্রা টাইমদা পাঞ্জল ৪-২দা থোইখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদু বিবেকানন্দ য়ুব ভারতি ক্রিয়াঙ্গনদা ভাবোক লিশিং ৪৩ রোম্না মীৎয়েং তাখি। অহানবা হাফ ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু ওইবা য়াবা খূদোংচাবদি অদুম্মক ফংনখি। অনীশুবা হাফসু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী কাঙলোনগী মতুংইন্না মিনট ১৫/১৫ অনীগী হাফ অনী শান্নরকখি। এক্সট্রা টাইমগী অহানবা হাফ অদু লোইরমদাইদা এফ সী গোৱানা ফংখিবা ফ্রী কিক্ অমা টিম অদুগী কেপ্টেন ইদু বেদিয়ানা কাওশিনখিবদা মোহম্মদন স্পোর্টিং ক্লবকী গোলকিপর অদুবু মায়থীবা পীরগা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ওইখি।


# মেসি অমসুং নেমার য়াওবা পি এস জি রেঞ্জকী মখূৎতা মায়থীখ্রে

পেরিস, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী):
হন্দক্তা স্পেনগী বর্সেলোনাদগী ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শরুক য়ারকখিবা মমিং লৈরবা লিওনেল মেসি অমদি ব্রাজিল মচা নেমার য়াওরবসু ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা লীগ ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা রেঞ্জকী মখূৎতা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতম নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লাকখি। হাফ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা রেঞ্জকী সোলেমানানা পীরকপা বোল অমদা লাবোর্দেনা পাঞ্জল চল্লগা ১-০দা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা থংনবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাবা ঙম্লবা রেঞ্জকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা লাবোর্দেনা পীরকপা বোল অমদা এফ টাইটনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা পি এস জিবু মখা তানা মাঙজিল থাখি। পি এস জিগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা শান্নরকখিবা অদু রেঞ্জকী দিফেন্দরশিংগী মায়কৈদগী য়াম্না দিসিপ্লিন লৈনা শান্নরকখিবা অদুনা হন্দোকপা ঙমদনা ০-২দা মায়থীখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মোনাকোনা বোর্দিওবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা জোমেনিনা গোলোবিনদা পীরকপা বোল অমদা চনখিবনি। ২শুবা পাঞ্জল অদুনা গোলোবিননা ৪৮শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা ৩শুবা পাঞ্জল অদুনা পেনাল্টিদা য়েদরনা চনখিবনি।

# বর্সেলোনা অমসুং রিয়াল মাদ্রিদ মখোয়-মখোয়গী মেটচ মায়থীরে

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী):
স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা বর্সেলোনা অমসুং রিয়াল মাদ্রিদ মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং মায়থীবা নংখ্রে।

বর্সেলোনা অমদি এটলেটিকো মাদ্রিদনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা এটলেটিকোগী লুই স্বারেজনা য়াম্না ফজনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট টি লেমারনা চনখিবনি। বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইরমদাই ফাওবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। হাফ অদু লোইগদবা মিনট ১তা ঙাইরবা মতমদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী লেমারনা পীরকপা বোল অমদা লুই স্বারেজনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অনীশুবা হাফকী মিনট ৪৫গী শান্নবা অদুদা পাঞ্জল লৈখিদবদগী বর্সেলোনা মায়থীহৌবনি।

ঙসি শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদা রিয়াল মাদ্রিদপু ইস্পানিওলনা পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। ইস্পানিওলগী রাউল টোমাজনা শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মদুনা হাফ অদু লোইশিনখি। ২শুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৫ চঙশিল্লকপদা মখা তানা ইস্পানিওলগী এলেক্স ভিদালনা টিমমেট কৈদি বারেনা পীরকপা বোলদা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা রিয়াল মাদ্রিদপু ২-০দা মাঙজিল থাখি। ৭১ শুবা মিনটতা রিয়াল মাদ্রিদকী করিম বেঞ্জিমানা অমখক হন্দোক্লগা মেটচ অদু ১-২দা মায়থীখি।

# আর সী বিনা পঞ্জাব কিংস থোইখ্রে, কে কে আরসু মায় পাকখ্রে

সর্জা, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী ৪৮শুবা মেটচতা ঙসি রোয়লস চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা পঞ্জাব কিংসপু রন ৬তা থোইখ্রে। অদুগা ৪৯শুবা মেটচতনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা সনরাইজর্স হায়দরবাদপু ৱিকেট ৬তা থোইবা ঙমখ্রে।

সর্জাদা শান্নখিবা মেটচ অদু রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌদুনা বেটসমেন ৭ আউট ওইরগা রন ১৬৪ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা গ্লেন মেক্সৱেলনা বোল ৩৩দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৫৭ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি। লোয়ননা ওপনর দেবদত্ত পরিকলনা বোল ৩৮দা রন ৪০ লৌরম্বা অদুনা অনীশুবা ওইখি। কেপ্টেন কোহলি অমদি দি ভিলিয়র্স মথংশিংনা রন ২৫ অমদি ২৩ লৌরমখি। রন ১৬৫গী টার্গেট অদু লৌনবা হোৎনরকপদা পঞ্জাব কিংসকী মায়কৈদগী হৌরকপদা য়াম্না ফজরম্বদগী মখা তারকপা বেটসমেনশিংগী পর্ফোর্মেন্স য়ৌরক্তবা মরম্না ওভর ২০দা বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ১৫৮ খক লৌখি। ওপনর রাহুল রন ৩৯ অমসুং ময়াঙ্ক অগরৱালগী রন ৫৭না অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা রন ৯১ লৌরমখি। অদুগা লেমহৌবা বেটসমেনশিং ফজরক্তবদগী মায়থীখিবনি।

১৪৯ শুবা মেটচ অদু ঙসি দুবাইদা শান্নখিবনি। মেটচ অদুগী টোস সনরাইজর্স হায়দরবাদনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরকপদা রন ১১৫ লৌখি। টিম অদুগী ৱিলিয়মসননা রন ২৬ অদুগা অব্দুল সমাদনা রন ৬৫ লৌরমখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি।

মায় পাক্লনবা কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা রন ১১৬কী টার্গেট অদু ওভর ২০গী ৪শুবা বোলদা বেটসমেন ৪ আউট ওইরগা লৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৬তা থোইখিবনি।

# জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা মানু ভাকরগী গোল্ড মেদল ৩ শুখ্রে



লিমা, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী):
পেরুগী কোনুং লিমাদা পাঙথোক্লিবা ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আই এস এস এফ) জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী শুটর মানু ভাকরনা মহাক্কী অহুল্লকশুবা গোল্ড মেদল অদু ফংখিবগা লোয়ননা হুম্নিশুবা নুমীৎতা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল ৪ শুখ্রে।


ঙসি পূন্না গোল্ড মেদল ৬কী কম্পিটিসন পাঙথোকপদা ইন্দিয়ানা ৪ লৌখিবনি। মদুগী মনুংদা মানু ভাকরগী ৩ য়াওখি। গোল্ড ৪ খক্তা নৎতনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সিলভর মেদল ২ অমসু ফংবা ঙমদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মেদল টেলিদা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

পূন্না ঙসিগী মেদলশিং অদু হাপচিল্লগা ইন্দিয়ানা জুনিয়র ৱর্ল্ড শুটিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা গোল্ড ৬, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ ফংলি। য়ু এস এগী টিমনা গোল্ড ৪, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ ফংলগা মেদল টেলিদা ইন্দিয়াগী মথংদা অনীশুবদা লৈরি।

ঙসিগী কম্পিটিসনশিং অদুদা ইন্দিয়ানা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টশিং অদুদা খূদুম চনবা ঙমখি। মিক্স, ৱিমেন্স অমসুং টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। লোয়ননা মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টিম গোল্ড ফংখি।

মানু ভাকরনা ঙসিগী কম্পিটিসন অদুদা গোল্ড মেদল ২ ফংবা ঙমখি। মিক্স টিমদা মহাক্না সরবজোট সিংহগা পার্টনর ওইদুনা গোল্ড লৌখি। অদুগা নুপীগী টিমদা সিখা নর্ৱাল অমদি রিদম সাংৱান অনীগা পূল্লগা ফাইনেলদা বেলারুসপু ১৬-১২দা থোইরগা গোল্ড ফংখি। নুপাগী পিষ্টোল টিমগীসু নবিন, সরবজোট অমসুং শিব নর্ৱালনা বেলারুসপু ১৬-১৪দা থোইরগা গোল্ড ফংখি। লোয়ননা নুপাগী এয়র রাইফলগী টিমনসু গোল্ড ফংখি। মিটর ১০গী এয়র রাইফল মিক্স টিমদা ইন্দিয়াগী অটমিকা অমসুং রাস্প্রিট সিংহনা সিলভর ফংহৌখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 248**

**Chesney, Bill (2303) - Seirawan, Yasser (2598)**
**US op Pasadena (8), 1983**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 e6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 a6 |
| 5.Bd3 Nf6 | 6.Nc3 d6 | 7.O-O Nbd7 | 8.Kh1 b5 |
| 9.a3 Bb7 | 10.f4 Be7 | 11.f5 e5 | 12.Nf3 h6 |
| 13.Qe2 O-O | 14.Be3 Rc8 | 15.Bf2 Re8 | 16.Rad1 Qc7 |
| 17.Bh4 Qb8 | 18.Nd2 Bd8 | 19.Rf3 Ba5 | 20.Nd5 Bxd5 |
| 21.b4 Bd8 | 22.Bxf6 Nxf6 | 23.exd5 e4 | 24.Re3 Bb6 |
| 25.Rxe4 Nxe4 | 26.Nxe4 Re5 | 27.Qg4 Kh8 | 28.f6 Rg8 |
| 29.Qf4 Qf8 | 30.Rf1 Rxd5 | 31.Rf3 g5 | 32.Qg4 Re5 |
| 33.Rh3 Rg6 | 34.Rf3 Bd8 | 35.h4 h5 | 36.Qd7 gxh4 |
| 37.Nxd6... | | | |

**QUESTION :**
**Black to Win**

**Puzzle 247 Ans. :**
43. ...Re1 44.Qxe1 Nxf3+ Opening the line from g3 to e1.
45.Rxf3 Qxe1+
43. ...Re1 44.Qxe1 Nxf3+ 45.Rxf3 Qxe1+ 46.Kh2 Qd2 47.a3 Qxd5 48.Kg1 g5 49.Kh2 Kg7 50.Kg1 Kg6 51.Kh2 a5 52.Kg1 Kf5 53.Kf2 Ke4 54.Ke2 Qa2+ 55.Kf1 Qb1+ 56.Kf2 Qd1
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com